# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ২৮




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**13th Century A.D.** গী মতম অদুৱাইদা হিন্দুস্থানগী আর্ট ফোর্ম ময়ামশিংগী ওইবা পুৱারীশিংনা থিজিনবদা য়াম্না লুরগদবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা Muni, Rishi ময়ামশিংনা ধ্যান তপ (টোপ) ময়ামশিংগী থৱায়শিংনা পোন্থা ওইনা কৎথোক্লুগা হিন্দুস্থানগী শেংলবা ভক্তি রসনচিংবশিংদা যূস্ফমশিং ওইবিরগা শেল্লমখিবা শারমখিবনচিংবশিংগী লৈজরম্বা শেংলবা আর্ট ফোর্ম ময়ামশিং, মতম অদুৱাইদা মুসলিমশিং হায়বদি Persian শিংগী, অরাবিয়নশিংগী, টর্কিশশিংগী, ইজিপ্টসিয়নশিংগী, আফঘানশিংগীনা ওইবা আর্ট ফোর্মশিং নোর্থ ইন্দিয়াদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লকপা হৌরকখি। পুৱারীশিংনা মমুৎ তানা নৈনরবা তারবদি 1000 A.D. দা Mahmud of Ghazni না হিন্দুস্থান্দা 1000 A.D. দগী 1025 A.D. ফাওবগী মতমদা ১৭লক অমুক্তা মায়থীখিবা য়াওদনা নোর্থ-ৱেষ্টর্ন পার্ট ওফ হিন্দুস্থান অমসুং নোর্দন হিন্দুস্থানগী নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংদগী লন-থুম, হিরা, মনি-মুক্তানচিংবশিং মশীং থিঙমদনা মতম অদুগী লন-থুমতনা মশীং থিঙমদনা লৈরবা Somnath Temple য়াওনা থুগাইরল্লগা মুন্দুনা মরৈবাক্তা হনখি।

থমজনীংলিবা ৱাখল্লোনশিংনা মতম অদুগী মমাঙদগী মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্মশিং হিন্দুস্থান্দা তপ্না তপ্না চঙলকলম্বগীসু ওইথোকপা লৈরম্বা য়াই নৎত্রগা Mahmud of Ghazni না লান্দারকপা মতমদা মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্মশি অমসুং আর্টিষ্টশিংসু লান থেংনরুবগী অৱা পোত্থাগীদমক লোইনরক্লম্বসু ওইথোক্লিংঙাই ওইফম থোকপরা হায়বসি নৈননীংঙাই ওইবা ৱাফমনি। মসি মালেমগী লাম্ন্থেংনবা চৎপশিংগী মরক্তা য়াওদবা নত্তে। লাম্ন্থেংনবা হায়বসিমক্তবু অৱাবনিনা ঙাইহাক পোত্থানবা মতমশিংদা মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্মশিংদি ইন্টরটেনমেন্টশিংনা অয়াম্বা ওইবা মরম্না জগোয় শাবা-শাবীশিং; মখল মখলশিংগী ইন্সত্রুমেন্টেলিষ্টশিং লোইনরক্লম্বগী ওইথোকপশিং লৈ; লোয়ন-লোয়ননা হিন্দুস্থানগী আর্টিষ্টশিংসু লোন্না নৎত্রগা ফোংনা পার্ফোমেন্সশিং অদু য়েংলম্বসু য়াই। মদুগী ফল ওইনা হিন্দুস্থানি আর্টিষ্টশিংনা মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্মশিং অদু মতৌ তম্নীংবগী ৱাখল্লোনশিং পোক্লম্বসু য়াই। মতৌ অসুম্না আর্ট ফোর্মশিংদুগী মিক্স অপ তৌরক্লনবগী ৱাখল্লোনশিং লাক্লম্বসু ওইথোক্লিংঙাই ওইবসু য়াই।


খুদম অমত্তং ফোংদোকচরবদা Mahmud of Ghazni না হিন্দুস্থান্দা লান্দাবা লাকপগীসু মথক্তা হিন্দুস্থানগী মুক্তাশিংগুল্লবা Purana ময়াম অমা The "Bhagavad Gita" নচিংবশিং Al Beruni কৌবা মুসলিম ফিলোসোফর অমনা ইহান হান্না ষ্টদিশিং তৌরগা মুসলিমশিংদা তাকপী-তম্বীরম্মী অমসুং পালহল্লম্মী। মসিগী ৱাহন্থোকশিংদি মতৌ করম্না মুসলিম অমনা হিন্দুস্থানগী য়াম্না ভক্তি রসশিংদা যূস্ফম ওইরিবা, অদুগী মথক্তা লোলসু Sanskrit লোন্দনা অয়াম্বা ইরিবা Puran শিং The "Bhagavad Gita" নচিংবশিংগী ৱাংঙুলোন নৈনবা হায়বসি অরায়বা নত্তে। হিন্দুস্থানগী ভক্তি রসশিংদা যূস্ফম ওইরিবা লাইরিকশিংসিদি অয়াম্বনা "Sloka" শিংদা যূস্ফম ওইবনি। "Sloka" শিং অসি টাল চানা "Tempo" চানা Brahmin শিংনা Ancient Hindusthani Art Form অমা ওইনা তাইবঙ শেম্বা মপূশিংগী খুয়াখাদা থৱায়শিংনা পোন্থা ওইরগা কৎচরম্মী। খুদম অমত্তং থৌগঞ্জরবদা "Gayatri Mantra"

Om Bhuur-Bhuvah Svah
Tat-Savitur-Varennyam
Bhargo Devasya Dhiimahi
Dhiyo Yo Nah Pracodayaat । হায়রিবা মশীং য়ামখ্রবা "Sloka" ময়ামশিং অসিদগী দিভলপ তৌরক্তুনা ভক্তি রসশিংনচিংবশিংদা Mangala Aratee, Bhajan, Kirtana নচিংবশিং অসি "Ancient Hindusthani Sangeet" তা মতম অদুগী "Swati Muni" না পুথোকপীরম্বা "Tripushkara" হায়বদি পূং মখল অহুম; Tri হায়বদি অহুমগী ৱাহন্থোক্লি "Pushkara" গী ৱাহন্থোক্লা পূং হায়বনি, পূং মখল অহুম অসি "Mridanga" হায়নসু খঙনরম্মী। Mrida হায়বগী ৱাহন্থোক্লা লৈপাক হায়বনি অদুগা Anga গী ৱাহন্থোক্লা বোদি হায়বনি। পূং মখল অহুমশিং অসি মতম অদুগী মখল খুদিংশিং শাবদা খ্বাইদগী হৈথোই শিংথোইরবা "Vishwakarama" দা "Shwati Muni" না শাহনখি। লোয়ন-লোয়ননা হৌজিক মতমগী টাবলা মরূগী শক্তম্না "Udharvaka", Tabla মনাওগী শক্তম্না "Alingya" অমসুং সাউথ ইন্দিয়াগী Carnatic Music তা য়ৈনরিবা Mridanggam অমদি মসিগা শক্তম মান্নবা পূংশিংগী শক্তম খুদিংমকশিং অসিবুনা "Angkik" হায়না মতম অদুদা "Swati Muni" না মীংথোনবীরম্মী। হায়রিবা পূং মখল অহুমশিং অসিনা Ancient Hindusthani শিংগী আর্ট ফোর্মশিংগী ভক্তি রসতা যূস্ফম ওইবা তাইবঙ শেম্বা মপূশিংগী খুয়াখাগী থৌগলশিংদা য়ৈনপূংশিং ওইনা থৌগল্লম্মী।

Ancient Hindusthan গী "Veda Shashtra"; মখল মখলশিংগী লাইনীং লম্বীশিংদা থৱায় হকচাংশিং পূম্নমক তাইবঙ শেম্বা মপূশিংগী খুয়াখাশিংদা কৎথোকচরগা অয়াম্বা মতমদা শান্তি ওইনা লৈজরম্বা হিন্দুশিং, মুসলিমশিংনা তপ্না তপ্না লান্দারকপদগী নোর্থ ইন্দিয়াগী মতম অদুগী নিংথৌ মচা-মচাশিংনা লৈঙাক্লম্বা পীক্ল-পীক্লবা লৈবাক মচাশিং কাং-খোং চাইবশিং লেপ্পা লৈতনা চত্থরকখি। মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্ম ময়াম অমনা ভক্তি রসশিংদা যূস্ফম ওইজরম্বা হিন্দুস্থানি সঙ্গিৎশিংগা মিক্স-অপ তৌবা হৌরকখি। মুসলিমশিংনা হিন্দুস্থানি সঙ্গিৎকা মিক্স-অপ তৌরকপা; লিশাং শিংনা চত্থরকপা থৌওংশিং অসিবু কলহৌনবা হিন্দুশিংগী সঙ্গিৎতা থৱায় হকচাং পূম্নমক কৎথোক্লবা আর্ট ফোর্ম মখল পূম্নমক্কী আর্টিষ্টশিং ক্রিটিকশিং ম্যুজিকোলোজিষ্টনচিংবা মীওই কয়া অমা নোর্থ ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়াশিং শিনবা থুংনা মখল মখলশিংগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা চত্থবা হৌরকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা Pandit Sarangadeva না হোৎনখিবা থবকশিং ঙসি ফাওবা কাউবা লৈতনা অমর ওইনা লৈরি। মহাক্না Sangeet Ratnakara মীংথোনবা লাইরিক অসি Bharat Muni না ইবিরম্বা Bharat Natya Sastra কৌবা লাইরিক্তগী যূস্ফম ওইরগা ইবিরম্বনি। লাইরিক অসি হৌজিকসু সঙ্গিৎপু তাইবঙ শেম্বা মপূনি খঞ্জবশিংনা খ্বাইদগী কাঙলোন চুম্বা লাইরিকনি হায়না শিংথানরি।

Pandit Sarangadeva না Deshi Sangeet হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদুনা Hindusthani Sangeet পু মুসলিমশিংগা য়ানশিন্নদনবা অসুম্না হোৎনরম্মী। নিংথৌ পানবা নোর্থ ইন্দিয়াগী লৈবাক মচা মচাশিংদা চৎনরিবা পূং, ঈশৈ, জগোয়নচিংবশিংগী মান্নদবা মখল মখলশিংগী ওইবা রসশিংগী মফোংদোকশিং অদুবু Deshi Sangeet হায়না ইবিরম্মী। মসিগী মখা তারকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ওইবা মান্নদবা শাজৎ, শানোম, শাথেক্লচিংবশিংগী আর্ট ফোর্মশিংসু Deshi Sangeet হায়না মীংথোনবিরম্মী।

The Delhi Sultanate কী অঙনবা মতমদা পাল্লম্বা Turkish Rulers (Slave Dynasty) 1206 A.D. to 1210 দা Qutbuddin Aibak, 1210 A.D. to 1236 A.D. Shamsuddin Iltumish, 1236 A.D. Rukhnud-din Feroz Shah, 1236 A.D. to 1240 A.D. Raziya Sultan, 1246 A.D. to 1266 A.D. Nasir-ud-din Mahmud, 1266 A.D. to 1287 A.D. Ghiyasuddin Balban. Khalji Dynasty; 1290 A.D. to 1320 A.D.; 1290 A.D. to 1296 A.D. Jalaluddin Firoz Khalji, 1296 A.D. to 1316 A.D. Alauddin Khalji. Pandit Sarangadeva গী মতম চাউরাক্না 13th Century দা The Delhi Sultanate কী অঙনবা মতমদা পাল্লম্বা Turkish Rulers (Slave Dynasty) গী নিংথৌ তরুকশিং নোর্থ ইন্দিয়াগী দেল্লিদা পাল্লম্মী।




Khalji Dynasty গী নিংথৌ অনী অমসু নোর্থ ইন্দিয়াদা পাল্লম্মী। হায়রিবা Slave Dynasty অমসুং Khalji Dynasty শিংগী পূন্না নিংথৌ ৮শিং অসিনা নোর্থ ইন্দিয়াগী মফমশিংদা লান্দাদুনা হিন্দুশিংবু মুসলিম ওন্দ্রবদি মথৱায়শিং লৌগনি হায়না কিহনবদগী হিন্দুশিং ফনা য়াম্না মুসলিম ওনখি। মরম অসিগী ফলশিংদগী হিন্দু মুসলিমশিংগী খৎন-চৈনবা য়ান্নবনচিংবশিং ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। মসি 13th A.D. গী মতম অদুৱাইদত্তা নত্তনা মুসলিমশিংনা হিন্দুস্থানগী মফম অয়াম্বশিংদা পাল্লবা মতমশিংদসু থোকখি। হিন্দুশিংনা মুসলিম ওল্লক্লবদা মুসলিমশিংগী আর্ট ফোর্মশিংগা হিন্দুশিংগী আর্ট ফোর্মশিংগা তোৎশিন্নবশিংগী য়ানশিননা অনৌবা আর্ট ফোর্মশিংগী ওইবা মহাউ অমা থোরকখি অমদি থোরক্লিবা মহাউশিং অসি হিন্দুগীসু ওইদ্রে মুসলিমগীসু ওইদ্রে। অমরোমদা অনৌবা মহাউ অমা থোরকপশিং অসিগীসু তোঙানবা ফজবা আর্ট ফোর্মশিংগী মরক্তা অমা ওইরি।

পূম্নমকশিং অসি মতম কৌবী ইমা লাইরেম্বীগী মীওইবশিংদা পীনবীবা খুদোলশিংগী মরক্তা অমনি।

মতেং লৌজখিবশিং :- 1. The Bhagavad Gita 2. Tall Vidya Sastra 3. My Wonderful Book 4. Oxford Advanced Learner's Dictionary.

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -১৬

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**শ্রী রাজকুমার দোরেন্দ্রনা** চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা শ্রী রিশাং কৈশিংনা নবেম্বর ২৭, ১৯৮০দা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। মহাক্কী পাউতাক মতুং ইন্না মখাগী মীওইশিং অসিসু মণিপুরগী রাজ্যপালনা মিনিষ্টরশিং অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ৱাশক লৌহনখি।

মিনিষ্টরশিং :- ১) শ্রী ঙুরদিংলেন ২) শ্রী আই তোম্পোক

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট :- ১) শ্রী টি ঐচ কৃষ্ণ

তাং ২৯/১১/১৯৮০দা মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং অদু অসুম্না ওইখি :-

১) শ্রী রিশাং কৈশিং - চীফ মিনিষ্টর

১) কোনফিদেন্সিএল এন্দ কেবিনেট দিপার্টমেন্ট ২) হোম দিপার্টমেন্ট ৩) লো দিপার্টমেন্ট ৪) জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট ৫) দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল ৬) এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম দিভিজন ৭) প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট ৮) ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট ৯) মেদিকেল ইন্ক্লুদিং আর এম সী ১০) ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট ১১) পি দব্লিয়ু দি ১২) কোওপরেসন দিপার্টমেন্ট ১৩) কম্যুনিটি রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায় ১৪) ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট ১৫) রেভিন্যু এন্দ ফিছরিস ১৬) ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট।

২) শ্রী ঙুরদিংলেন - কেবিনেট মিনিষ্টর

১) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট ২) ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ দিপার্টমেন্ট ৩) ত্রাইবেল ৱেলফেয়র ৪) লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট ৫) আই এফ সী ৬) ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট।

৩) শ্রী আই তোম্পোক - কেবিনেট মিনিষ্টর

১) এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট ২) এন এস জি ইনক্লুদিং পি ঐচ ঈ দি ৩) দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফেয়র, আর্ট এন্দ কলচর ৪) দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস, ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ ত্রেনিং ৫) ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট ৬) পব্লিসিটি, ইনফোর্মেসন এন্দ টুরিজম।

৪) শ্রী টি ঐচ কৃষ্ণ - মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট

১) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট ২) ত্রান্সপোর্ট ৩) রেভিন্যু এন্দ ফিছরিজ (কেবিনেট মিনিষ্টরগী মখাদা) ৪) ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি - ইন্দিপেন্দেন্ট

দিসেম্বর ১৫, ১৯৮০দা চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না গভর্ণরনা মখাগী মীওইশিং অসিবু মিনিষ্টিরশিং অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা হাপ্পুনা মিনিষ্ট্রি অদু চাউথোকহনখি।

মিনিষ্টরশিং :-

১) শ্রী শোশো লোরহো ২) মহম্মদ হেলালউদ্দিন খান ৩) শ্রী কে রাধাবিনোদ ৪) শ্রী টি ঐচ চাউবা

মিনিষ্টরস ওফ ষ্টেট :-

১) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র ২) শ্রী সী ঐচ রাজমোহোন ৩) শ্রী আই দি দিজুএনাং ৪) শ্রী হোলখোলেট খোংশাই ৫) শ্রী ৱাই ইরাবত ৬) শ্রী জাইসন হাওকিপ।

মিনিষ্টরশিং অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টরশিংনা হায়রিবা নুমিৎসিদগী থবক পায়বা হৌখি।

তাং ১৫-১২-১৯৮০দা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মিনিষ্টরশিং/ষ্টেট মিনিষ্টরশিং অসিনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং শেমদোকখি।

কেবিনেট মিনিষ্টরশিং:-

| | | |
|---|---|---|
| ১) শ্রী রিশাং কৈশিং - চীফ মিনিষ্টর | ১) | কোনফিদেন্সিএল এন্দ কেবিনেট দিপার্টমেন্ট |
| | ২) | হোম দিপার্টমেন্ট |
| | ৩) | জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট |
| | ৪) | দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল ইনক্লুদিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস |
| | ৫) | ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট |
| | ৬) | পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট |
| | ৭) | ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাই দিপার্টমেন্ট |
| | ৮) | প্লান্নিং |
| | ৯) | আর এম সী |
| | ১০) | লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট। |
| ২) শ্রী ঙুরদিংলেন, কেবিনেট মিনিষ্টর | ১) | এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট |
| | ২) | এরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট |
| | ৩) | ত্রাইবেল ৱেলফেয়র এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস |
| ৩) শ্রী আই তোম্পোক, কেবিনেট মিনিষ্টর | ১) | ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট |
| | ২) | এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট |
| | ৩) | রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট |
| ৪) শ্রী শোশো লোরহো, কেবিনেট মিনিষ্টর | ১) | ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট |
| | ২) | মেদিকেল (আর এ সী য়াওদনা) |
| ৫) মহম্মদ হেলালউদ্দিন খান কেবিনেট মিনিষ্টর | ১) | ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট |
| | ২) | কো-ওপরেসন |
| ৬) শ্রী টি ঐচ চাউবা, কেবিনেট মিনিষ্টর | ১) | ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট |
| ৭) শ্রী কে রাধাবিনোদ, কেবিনেট মিনিষ্টর | ১) | এন এস জি ইনক্লুদিং পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্ট |
| ষ্টেট মিনিষ্টরশিং :- | | |
| ১) শ্রী টি ঐচ কৃষ্ণ, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি দিপার্টমেন্ট- ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| ২) শ্রী ৱাই ইরাবত, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | সী দি এন্দ আর দি পি-ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| | ২) | এগ্রিকলচর - (কেবিনেট মিনিষ্টরগী মখাদা) |
| ৩) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | লো এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি চার্জ |
| | ২) | ত্রান্সপোর্ট - ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| ৪) শ্রী হোলখোলেট খোংসাই, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিএল ৱেলফেয়র (আর্টস এন্দ কলচর) ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| | ২) | দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস, ফিজিকেল (এদ্যুকেসন এন্দ ত্রেনিং) - ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| ৫) শ্রী আই দি দিজুএনাং, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | ইলেক্ট্রিসিটি - (কেবিনেট মিনিষ্টরগী মখাদা) |
| | ২) | পব্লিসিটি, ইনফোর্মেসন এন্দ টুরিজম - ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| ৬) শ্রী জাইসন হাওকিপ, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | পি দব্লিয়ু দি - (চীফ মিনিষ্টরগী মখাদা) |
| ৭) শ্রী সী ঐচ রাজমোহোন, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | ফিছরি - ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| | ২) | রেভিন্যু - (কেবিনেট মিনিষ্টরগী মখাদা) |

তাং ১৫/১২/১৯৮০দা থোকখিবা হুকুম অদুবু খরা শেমদোক্লগা ষ্টেট মিনিষ্টরশিং অসিগী পোর্টফোলিও অদু তাং ১৮-১২-১৯৮০দা অসুম্না ওইখি।

| | | |
|---|---|---|
| ১) শ্রী টি ঐচ কৃষ্ণ, ষ্টেট মিনিষ্টর | ১) | ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি দিপার্টমেন্ট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) |
| | ২) | এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অন্দর কেবিনেট মিনিষ্টর |
| ২) শ্রী ৱাই ইরাবত | ১) | কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট এন্দ আই আর বি পি ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ |
| | ২) | ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ অন্দর কেবিনেট মিনিষ্টর |

জন্যুৱারী - ১৫, ১৯৮১দা থোকখিবা হুকুম অমনা মখাগী মীওইশিং অসিবু মিনিষ্টরশিং অমসুং মিনিষ্টরস ওফ ষ্টেট ওইনা হাপখি।

মিনিষ্টরশিং :-

১) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্রো, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ১) শ্রী এম কুমার ২) শ্রী কে দুংজালিয়ান ৩) শ্রী ঐচ কাংজাম্বা ৪) শ্রী থাংখানলান

মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরস ওফ ষ্টেট অসি তাং ১৫/১/১৯৮১গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ৱাশক লৌরবা মতুংদা থবক পুবা হৌখি।

অসুম্না শ্রী রিশাং কৈশিংগী মন্ত্রি মন্দল অসি কেবিনেট মিনিষ্টর ৮ অমসুং মিনিষ্টরস ওফ ষ্টেট ১০ লৈরম্মী।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১৯৮১-৮২গী বজেট মীফম মে ১৮, ১৯৮১দা হৌরম্মী। গভর্ণরনা মাগী এদ্রেস অদু পাবা হৌরকপদা ওপোজিসন এম এল এশিংনা মপান থোকখি। বজেট মীফম্না তাং ১২/২/১৯৮১দা তৌগনি হায়রল্লগা তাং ১৮/২/১৯৮১দা য়ৈথোক্লগনি হায়।

ফেব্রুৱারী ২৩, ১৯৮১দা কোংগ্রেস এম এল এ ১০না স্পিকরদা মখোয় ওপোজিসনগী ফম্ফমদা ফমজরগে হায়বদা স্পিকরনা অয়াবা পীখি। মখোয় তরা অদুদি ১) শ্রী পি অচৌ ২) হোনখোমাং ৩) কে ঐচ মনিমোহন ৪) আর দি ও ৫) ফুংজাথাং ৬) এন এস জোন ৭) স্যাকোলান ৮) আই দি দিজুএনাং ৯) মহম্মদ মহম্মুদ্দিন শাহ ১০) মহম্মদ অবদুল মতালিপনি। মখোয়না প্রোগ্রেসিভ লেজিসলেচর পার্টি কৌবা পার্টি অমা শেমখি অমসুং পি দি এফতা য়াওখি।

তাং ২৭-২-১৯৮১দা শ্রী রিশাং কৈশিং ফম থাদোকখি। ফেব্রুৱারী ২৮, ১৯৮১দা প্রসিদেন্ট রুল চলাইখ্রে। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসি এনিসেটেদ সস্পেন্সন্দা থমখি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## য়েংসি নৈনদুনা অমুক্তা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**ৱারী-লাইরিক্লা** শাখিনি। ৱাখল লৈবা, মতিক-মগুণ লৈবা, লাইরিক-লাইশু হৈবা, মথৌনা লৈবা, লমচৎ-শাজৎ ফজবা মীবু মীপূম খুদিংমক্লা ইকায়খুম্নে। খুদিংমক য়েংখি-য়েংখিবদা ৱাৎত্রবা মীওইশিং ইকায়খুম্নবিদবা মীওইশিংসু লৈতবদি নত্তে। ইকায় ইকি খঙদবা মথৌনা ফবা মখল অমনি। মখোয়শিং অদুগী তৌবা ঙম্বা শক্তিদি ওইদবা ঙাঙবদা, মচিন থিবদা, নমথাক তৌবদা হায়জিনবী হৈবা, শুক্মৎপা ঙম্বগী ৱাঙাঙশিংনা মীগী থম্মোয়বু খুদুম চনবা ঙম্মী। ওইদবা ঙাঙবা ঙম্ন-ঙম্নবা পংহায়দা হায়জিনবা ঙম্বা মসিগুম্বা মীওইগী থৌনা অসি পাংদবা মীনা খক তৌবা ঙমদে। ইকায় খঙদবা মায়থাবা মীওই খক্তনা লায়না তৌবা ঙমই, মায়থীবা মীরক মীচিনথিনা তৌবা ঙমদে। মসিগুম্বা মথৌনা লৈবা মীশিংদি মরল-মথুম, ফুরা-দলান, সনা-লুপা ময়াম লৈ। ফজবা গাড়ী, ফজবা ফিজোল, ফজবা লৈতেংনা মতিক মগুণ লৈহল্লি অদুগা মীয়াম্নসু মাগী খোঙলোই ওইদুনা মতুং ইল্লি। মরম অসিনা মপূক শেংদবা মীওইনা শক্তি অমসুং পৱার পায়। মীয়াম্নসু মাগী মতুং ইল্লি। তশেং তশেংবা, অচুম্বা ঙাঙবা, চুম্না চৎপা মীগী মতুং ইনবীনবা কনা অমত্তা লৈতে। মরমদি মঙোন্দগী ওইজ-ওইথক, চান-থরুবা করিমত্তা ফংদে। অদুবু মখোয়শিং অসিগী তোপ তোপ্পা মগুণ লৈতবদি নত্তে। অদুবু নাইতোম তাবা ওক তোমচৎ চৎপা থেংনরবদি খুদোংথিনীংঙাই ওই হায়না অহল লমনগী পাউরৌ তৌনৈ। চাওখৎলবা অচুম্বা চৎত্রবা মতম অসিদদি অসিগুম্বা মীওইশিংদি মীমান্নদ্রবা অঙাওবগা পাংখক ওইনা লৌনরি । ঙসিগী খুন্নাইগী চৎন-কাঙলোন/ৱাঙাঙ হৈত্রবা, ওইদবনা অওইবা শাদুনা ৱা ঙাঙবা হৈত্রবা মীদি মতমগা চানদে, মচিনসু চৎতে, শক্তি পায়গে খল্লবদি ওইদবা প্রচার-নমথাক তৌদুনা মীওইবগী পূক্লিংবু খুদুম চনবা ঙম্বা তঙাইফদে। অচুম্বা ঈচেলদি ঈশিং তুংদবগুম তশেং তশেংবা, তরু-তনানবা মফমদা কাং-হয়িং মচা পোক্তে মফমদুদা হয়িং ইন্দে, অমোৎপা নমথী হানৈবা মফমদা হয়িং চরোং ইল্লি। অসিগুম্বা ফত্তবনা থল্লবা মফমদা হয়িংনা পামজবা অচা-অথক, ওইজ-ওইথক ফংবনা হায়জিনবী হৈবশিংগী মতুংদদি হয়িংগী পাঞ্জক ওইনা তুংইল্লি। হায়রিবা মীওইশিং অসি মতমগী নিংথৌরেলগা পাঞ্জকনি। মখোয়শিং অসিনা ঙাঙবা-শকপা থবক পোরম য়াৎপা অওইবা ওইদবা মীয়াম্না তায়, লীদর ওইদুনা চুক্লি পায়রি। হৌজিক চৎনরিবা লোনচৎ অসি চিন্দদি য়াম্না ফজবা অচুম্বা চৎপা শাবা অদুবু ফত্তবনা মপোৎ ফারবা মীওই খরদি লৈপাক তৌবদা য়োৎপাক্লা শোকপা দশা ফত্তবা হঙোইগুম্বনি। আইন পায়বনা কাঙলোন চুম্না চৎত্রগা কনানা অচুম্বা চৎকনি মতমগী য়াওলসিদা। ওন্থোকপা মপোক লাংওনগী খূৎশেমগী মপোকনি। তাইবঙদা খোঙদাদ্রিঙৈদগী হৌনা নুপীনিবু হায়রবদি মাঙহন্নবা ৱাখল অদুগা তাইবঙ ফাওরক্লবসু মীওৎ মীনৈনা থল্লবা নুপী ওইবীগী মপোক অসি মহা পাপগী মশক ওইরি ঙসিগী চাওখৎলবা মতমগী খোঙজেলসিদা। পুন্সিদা কত্থোকপগী থৌদাং লৌরবসু থানবিদে ঙসি ফাওবদা খুন্নাইগী খোঙচৎসিনা।

মচে-মচল, মমা ওইনা অচৌবা থৌদাং কয়া পুরিবা পুন্সিগী খোঙচৎপু অচাকপা মৈদা ঘী-থাও হৈজিন্দুনা হেন্না মৈরি থোক্লা চাক্লিবী লাইবক চাউবী নুপীগী পুন্সিনি। ঙল্লিঙৈগী মতমদা চাওখৎলবা অমেরিকাদা নুপীবু ভোট থাদবা য়ারমদে হায়। ইন্দিয়াদসু নুপী লাইরিক তমহল্লমদে, ইস্লামিক লৈবাকশিংদা নুপীবু মায়খুম্না মরম ওইদুনা লাইরিক তমহন্দে। চাওখৎলবা সাইন্স অমসুং কম্প্যুটরগী চক অসিদা তৌবা ঙমদবা লৈত্রবা মতম অসি ফাওবদা ময়েক শেংনা উৎলি-তাক্লি নুপানা নুপীবু নমথদুনা থম্বীবগী খুদম। নুপানা ঙাওশিন্নবনা ঙাওশিন্নবা, নুপীনা খজিক্তং তৌরগনা তৌঙম্বী, ওক্তবী ওইবগী চৎনরোল হোংবা লৈত্রি ঙসি ফাওবদা। অউপ্পগা অরোংবগা অনী অসিগী খেন্নবা অউপ্পনা খুভম চেৎপা, অরোংবনা খুদোংথিবা অসিনি। মসিগী ৱাহন্থোক্লি নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক য়াম্না য়াম্মী। খুদিংমক থাদোক্তুনা নুপীবু ঙাক শেনবা, ইকায়খুম্নবা উৎপা ঙসিগী খুন্নাই অমসুং মীরোলনা তঙাইফদবা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদা অমা ওইহল্লসি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক*